# Hueiyen Lanpao

Vol. X, Issue 330 HUEIYEN LANPAO, Imphal, Wednesday, March 20, 2019 www.hueiyenlanpao.com, RNI Regn. No. MANMEE/2009/31282 ₹ 3.00




## মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা
## ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট
# শ্রী রাহুল গান্ধিবু
## তরাম্না ওকচরি

মীয়ামগী লুচিংবা

## শ্রী রাহুল গান্ধিনা

ইম্ফালগী হপ্তা কাংজেবুংদা মার্চ ২০, ২০১৯, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পূং ৯ঃ৩০ তাবদা মণিপুরগী খ্বাই মীয়ামদা ৱা ঙাঙবীগনি।

মীফম অসিদা মণিপুরগী নুংশিজরবা খ্বায় মীয়াম্না শরুক য়াবিরনবা নোল্লুক্না পাউজেঙ্ঙরি।

নোল্লুকচরিবা
মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি।

HL(MM)-B/086/20





## মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা
## ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট
## শ্রী রাহুল গান্ধিবু মণিপুরদা লেঙবিরকপদা
## হরাও তয়াম্না ওকচরি।

মীওইবগী মরক্তা খেন্নবা মিৎয়েং থমদনা,
মীপুম খুদিংমক্না ৱাত্ত-পাদনা নুংঙাইনা হিংমিন্নবনা অথোইবা মচৎনি হায়বসিদা ঙসিসু কোংগ্রেস পার্টিনা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা লাক্লি।

*ঙসিদি কাংখোং চাইরবা লৈঙাক্তা হংনিংঙি:-*

- ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা চীংমীগা তম্মীগা হেন্না নুংশিনদনবা শীনবা নত্তনা করি মহয়বু পুরকখ্রবগে? ঙন্নোইদবা থবক্তা কৈদৌবগী চমজরবা চীংমীশিংদা ওইদবা ঙাঙলিবনো?
- ৭শুবা পে পীগনি হায়দুনা লৈঙাক্কী থৌমীশিংদা করিগী করেম্নবিরিবনো? লৈঙাক চলাইনবা হোৎনবদা থৌমীশিংদি করিমত্তা শরুক য়াদ্রবরা?
- মহে লোইশঙদি তুংগী অফবা য়ুম্বীরেলশিং পুথোক্লিবনি। করিগী মণিপুর তাইবঙ মহেকোলদা ঙম্মী হায়বা মতাগুম রাজনিটিগী খুৎ থিংজিল্লিবা? অহিংদা লান্দারিবা? মহে তমজরিবশিংদা অকি তুজুং পোকহল্লিবা?
- ইন্দিয়াগী ঙমখৈ ঙাক্লিবা ঐখোয়গী খুন্মীশিংদা ইকাই খুম্নফম থোক্তবরা? ইপা ইপুনা য়ুংলম্বা শম্বল মখোঙদি মখোয়তনা খঙবনি। মখোয়গী মৱা তাবিদনা ঐখোয়না তৌনিংবতা তৌগনি হায়দনা ঐখোয়গী লম মফম খঙদনা মীঙোন্দা পীথোকপদি চুমগদ্রা?
- "কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদি ঐখোয়না হায়বা তাবীয়ে!" কদায়দা তাবিরিবা? হন্দক রাজ্য সভাগী ফেব্রুৱারি ১২গী লিষ্ট ওফ বিজিনেসতা এজেন্দা নম্বর-৩ অমসুং ফেব্রুৱারি ১৩দনা এজেন্দা নম্বর-৯দা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অদু পাস তৌনবা হাপলকখিবদু কেন্দ্রগী লুচিংবশিং অদুনা তাবিবদগীরা? করফিয়ু থমখিবা, ইন্টরনেট থিংজিনখিবা, টিয়ার গ্যাস কাপশিন্দুনা ইমা-ইবেনশিং অশোক অপন নংহনখিবা অদু মীয়ামশিবু উৎ-ৱাইগুম খল্লিব্রা?
- রুক্মিনিবু ঐখোয়গীরোমদা পোকখিবরা? ঐখোয়বু ইকাইখুম্নবিরিবসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা চেকশিন্না থম্মীরম্বা মমল য়াম্নবা নাৎ-চৎনবী অসিনা নত্তবরা? ঐখোয়গী শেংলবা ফিজোল অসি করিগী হোংহন্নবা হোৎনগদৌরিবনো?

মীয়াম মিৎকপ থোক্লসি।

খোঙফম চেৎনা অমত্তা ওইনা লেপ্পুনা মাঙন-তাক্লবা হোৎনরিবশিং অসি মরূ ফংনা মুখৎলসি।
কোংগ্রেসকি অনৌবা অফবা মরা চেৎপা লৈঙাক পুরক্লসি।

পাওজেঙ্ঙরিবা
মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি

HL(MM)-B/087/20